# রশিয়ানা সিরিয়াদা য়ু এসনা শৌগৎপা ফাইটরশিংদা বোম্মিং এটেকশিং চথ্খরে : য়ু এস ওফিসল

ৱাশিংটন, জুন ১৭ (এজেন্সী) :

রশিয়ানা সাউদর্ন সিরিয়াদা য়ু এসনা শৌগৎপা ফাইটরশিংদা বোম্মিং ষ্ট্রাইক চথ্খরে হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা ৱাশিংটনদা ফোঙদোকখ্রে অমসুং রশিয়াগী শাথিবা মতৌগী এক্সন অদু য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওই হায়খ্রে।

"ঙসি রশিয়ন এয়রক্রাফটনা অল-তানফ মনাক্তা য়ু এসকী সপ্পোর্ট ফংবা কাঙবুশিং য়াওবা সিরিয়াগী কাউন্টর আই এস আই এল ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া পরিং নাইনা চথখ্রে হায়না মশক মমিং ফোঙদোকহন্নিংদবা দিফেন্সকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি।

"মতম খরা সাউদর্ন সিরিয়াগী মফম অসিদা রশিয়ন এয়রক্রাফটনা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা তৌখিদে অমসুং সিরিয়ন রেজিম নৎত্রগা রশিয়ন গ্রাউন্দ ফোর্সশিং মচি ময়াদা লৈতে" হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীশি-মীনা কয়া য়াওখিবগে নৎত্রগা মখোয়দু করম করম্বা গ্রুপকীনো হায়বগী মতাংদদি ফোঙদোকখিদে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী অঙনবা শরুক্তা য়ু এস মিলিটরিনা আই এস আই এসকী জিহাদিষ্টশিং থেংননবা মোদরেট সিরিয়ন য়ুনিট অপুম্বা ট্রেনিং পীনবগী দোল্লর মিলিয়ন ৫০০গী প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখি। তৌইগুম্বসুং ট্রেনিশিংগী মশীং হান্না থৌরাং তৌখিবা ৫,০০০ য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎখিবগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অদু অকনবা ক্রিটিসিজম মায়োক্লরকখি।

গ্রুপ অমনা নোংমৈ মরু অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া লোকল অল-কাইদাগী এফিলিয়েট ওইরিবা অল-নুশরা ফ্রন্টতা ফাওবা পীথোকখি হায়রি। মদুদগী পেন্টাগোন্না য়ুনিট অপুম্বগী মহুত্তা ফাইটিং গ্রুপ খূদিংমক্কী মেম্বর খরা খরগা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী অনৌবা লাল্লোং অমা পায়খৎলকখি। পেন্টাগোনগী মপুং ওইবা মীৎয়েং হৌজিক সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংদা থল্লি। মখোয় অসি মরু ওইনা কর্দিশশিংনা মশীং য়াম্বা কোলিসন অমনি। মখোয়না আই এসকী জিহাদিষ্টশিংগা লান্থেংনবদা শীংথানিঙাই ওইবা মওংদা লম কয়া পায়শিনবা ঙমখি।

সী আই এনসু সিরিয়নশিংবু ট্রেনিং পীদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং অরোন অথুপকী এজেন্সী অদুনা মখোয়না হোৎনরিবশিং অদুগী অকুপ্পশিং ওফিসল ওইনা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

রশিয়ন বোম্মিং অদুনা সিরিয়ন ইস্যুগী মতাংদা হান্নদগী নুংঙাইতনা লাক্লিবা মোস্কো অমসুং ৱাশিংটনগী মরী হেন্না শোকচিনহল্লগনি হায়রি।

"রশিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা এক্সন অসিনা মখোয়গী থাঙ্গৈশেংবা অপাম্বগী মরমদা চিংনবা চাউনা পোকহল্লে। করিগীদমক্তা মখোয়না মসিগী এক্সন অসি চথখিবনো হায়বসিদা ঐখোয়না মখোয়দগী এক্সপ্লেনেসন অমা লৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বসি অমুক হন্না তৌররোই হায়বগী থাজবসু লৌগনি" হায়না দিফেন্সকী ওফিসল অদুনা হায়খি।

চহী ৫ শুরক্লবা সিরিয়াগী লাল অদুবু ৱারী শানদুনা য়ানবা অমা পুরক্লগা লোইশিন্নবা য়ু এননা লূচিংদুনা পায়খৎলকপা প্রোসেস অমবু শৌগৎলিবা লৈবাক ২২গী গ্রুপ অমা রশিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কো-চ্যের হোল্ডরশিং ওইরিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা রশিয়া অমসুং সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদতা ৱাশিংটনগী খাংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈশিল্লক্ত্রে হায়না চেকশিনৱা পীখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭তগী চৎনবা হৌখিবা খুৎলাই শীজিন্নবা লেপ্পবগী খোঙথাং অমা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা মতম শাংনা চৎনবা য়াবা ট্রুস অমা ওন্থোকপা ঙমখিদে অমসুং দামাস্কসনা মরু ওইনা অলেপ্পো সিটিদা ইস্লামিক ষ্টেটগ্রুপ অমসুং রেবেলশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি কেম্পেইন কনখৎখি। য়ু এসনা রশিয়াবু মীচং ওইবা অশাদকী রেজিমগী খোঙফম চেৎশিন্নবা থবক তৌই অমসুং ওপোজিসনবু লেপ্তুনা এটেক তৌই হায়না মরাল শীরি।



# আই এস আই এসনা য়াজিদিশিংগী মায়োক্তা জেনোসাইদ চথ্খরে : য়ু এন রিপোর্ট

জিনেভা, জুন ১৭ (এজেন্সী) :

মীশিং ৪০০,০০০ লৈবা য়াজিদি কাঙলুপ্পু পুংমুৎ মুথৎনবগীদমক্তা হাৎপা তুপ্পা, সেক্স স্লেভশিং ওইহনবা অমসুং অতৈ ক্রাইম কয়াগী খুথাংদা আই এস আই এলনা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোন চৎপা কাঙলুপ অদুগী মায়োক্তা জেনোসাইদ চথ্খরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন)কী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অসিনা ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা অতাংবা অমা ওইরগদবা মওংদা ষ্টেট নৎত্রগা পেরা মিলিটরিশিংনা লৈবাক্কী মহুৎ শীন্দুনা পাক্কন্না হাৎপা তুপ্পগী থৌদৌশিং চথবগী মহুত্তা নন-ষ্টেট এক্টরশিংনা মীওই কাঙলুপ অমবু পুল্লপ ওইনা হাৎতোক্লবা হোৎনৈ হায়বসি ইহান হান্না রিকগ্নাইজ তৌবা উৎলি।

হিংহৌবা মীওই দজন কয়াগী ইন্টরভ্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইবা য়ু এনগী রিপোর্ট অদুনা হায়খি, কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতগী হৌনা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা য়াজিদিশিংবু সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা পুল্লপ পুল্লপ হোইজিন্দুনা মখোয়গী আইদেন্টিটি মুথৎনবগী কেম্পেইন অমা চথরে। মদুগী কেম্পেইন অদু কুমজা ১৯৪৮গী জেনোসাইদ কনভেন্সনগী মখাদা ক্রাইম মখল অসিগী দিফিনিসনগা চান্নে।

"য়াজিদিশিংবু পুল্লপ পুল্লপওইনা হাৎতোকপগী কেম্পেইন হৌজিকসু চথরি" হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

"মখোয়না মাঙহন্নবা লাকখি : য়াজিদিশিংগী মায়োক্তা আই এস আই এসকী ক্রাইমশিং" হায়না মমিং পীবা লমায় ৪০গী রিপোর্ট অদুনা ইস্লামিক ষ্টেটনা কর্দিশ লোল ঙাঙবা সুনি মুস্লিম আরব মিলিটেন্টশিং অদুনা লাইনিং লাইশোন লৈতবা নৎত্রগা ময়ামগা মান্নদবশিংনি হায়না লৌবা গ্রুপ অদুবু লোইশিন্নবা হোৎনবগী লিগেল এনলাইসিস অমা পুথোক্লবা হোৎনরি।

য়াজিদিশিং অসি তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোনগী সেক্ট অমনি। মখোয়গী থাজবশিংদা মমাংঙৈগী মিদ্দল ইষ্টকী লাইনিং লাইশোনশিংগী মচাকশিং পুল্লগা য়াওরি।

"জেনোসাইদকী থৌওং চথরম্বা অসিনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা লৌরকপা য়াবা ৱারেপশিং য়াওনা পোলিটিকেল লেভেলদা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌরকপা য়াবগী মওং লৈ" হায়না কম্মিসন ওফ ইনক্বাইরি অদুগী চ্যেরমেন পাউলো পিনহৈরোনা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা হায়খি।

মাউন্ট সিঞ্জরদা চহী ২মুক্কী মমাঙদা তমথিরবা এটেক্তু চথখিঙৈদগী মীওইশিং অদুবু কন্ননবা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা লৈত্রি হায়না হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতা ইস্লামিক ষ্টেটনা নোরদর্ন ইরাককী য়াজিদি লমদমগী ময়াই চবুক্তুদা থোমজিনখিবদুবু নীংশিংলদুনা মহাক্না হায়খি।

কম্মিসনগী মেম্বর ভিটিট মুন্তারভোর্ননা হায়খি, ইস্লামিষ্টশিংনা তৌখিবা ক্রাইমশিংগী মফমশিং, মখোয়না চথখিবা থৌওংশিংগী অকুপ্পশিং অমসুং ক্রাইম তৌখিবশিংদুগী মমিংশিং লৈরে অমসুং মিলিটেন্ট সিটিজনশিংদুবু প্রোসিক্যুট তৌনবা নেসনল ওথোরিটি খরগা অরোনবা টেষ্টিমনিশিং স্যের তৌমিন্নবসু হৌরে।

মনীং তম্বা কম্মিস্নরশিংদুনা অচৌবা পৱারশিংদা আই এস আই এস নৎত্রগা ইস্লামিক ষ্টেটনা মরু ওইনা সিরিয়াদা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা য়ামদ্রবদা নুপী অমসুং অঙাং ৩,২০০ কন্ননবা তকশিনখ্রে।

মখোয়না কেস অদুবু প্রোসিক্যুট তৌনবা ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সী সী)তা রিফর তৌনবসু তকশিনখ্রে। ইরাক অমসুং সিরিয়াসু কনভেন্সন অদুবু রেটিফাইদ তৌখিবা ওইবনা জেনোসাইদ থিংবা, চৈরাক পীবা অমসুং প্রোসিক্যুট তৌবগী থৌদাং লৈ হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

মালেমগী পুৱারীদা লৈরিবা জেনোসাইদকী ভীক্তিমশিংগী মনুংদা কুমজা ১৯১৫দা অর্মেনিয়াশিং, নাজি হোলোকোষ্টকী মতমদা জ্যুশিং, কুমজা ১৯৯৪দা রৱান্দাদা টুটসিশিং অমসুং কুমজা ১৯৯৫দা স্রেব্রনিটসাদা বোসনিয়ন মুস্লিমশিং য়াওরি।

"আই এস আই এসনা সিঞ্জার য়াজিদিশিংবু পুংমুৎ মুথৎনবা ইফোঙ ফোঙনা হোৎনখি অমসুং মদুগী থৌওং অদুনা মখোয়গী এক্সনশিংদু জেনোসাইদকা মান্নে" হায়না ঐখোয়না ৱারোই তাখি" হায়না অতোপ্পা ইনভেষ্টিগেটর কর্লো দেল পোন্টেনা হায়খি।

## মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স

### ৫ মাউন্টেন দিভ ওর্দ য়ুনিট, পিন-৯০৯০০৫, সি/ও ৯৯ এ পি ও

### রিক্রুটমেন্ট নোটিস নম্বর ৪৬৩/২০১৬-১৭/সি আই ভি ঈ এস টি

### কোরিজেন্দম

১. ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদগী লুপা (পে বেন্দ + গ্রেদ পে)গী পে বেন্দগী মথক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদা পীবা য়াবা এলাৱেন্সশিং পীগদবা মখাগী ফমশিং অসিগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি।

| সেরিয়েল নম্বর | ফমগী মমিং | পে স্কেল অমসুং গ্রেদ পে (লুপা) | মিনিমম ইন্সিসিয়েল ক্বালিফিকেসন | ফিজিকেল ইন্দ্যুরেন্স টেষ্ট/স্কিল টেষ্ট (এপ্লিকেসন ইবগী মতুং ইন্না) | কেটগরিশিং | | | | অপুনবা ভেকেন্সি |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | য়ু আর | এস সি | এস টি | এক্স সার্ভিসমেন এন্দ (এস টি) | |
| (এ) | মজদুর (ট্রেদসমেন মেট) | (৫২০০-২০২০০) + ১৮০০ জি পি | ১০শুবা | লায়না চেন্দবা অমসুং মশা-মউ ফবা | ০৩ | ০১ | ০৩ | ০২ | ০৯ |
| (বি) | ফায়রমেন | (৫২০০-২০২০০) + ১৯০০ জি পি | ১০শুবা | | ০১ | নিল | নিল | ০১ | ০২ |

খঙজিনবীগদবা : মথক্তা পল্লিবা অহাংবা ফমশিং অসিদা মখাগী অহাংবা ফমশিং অসি মমাঙগী রিক্রুটমেন্টদা য়াওখিবা হৌজিকসু মেনশিন্দ্রিবা ফমশিংনি :-

| সেরিয়েল নম্বর | ফমগী মমিং | কেটগরিশিং | | রিমার্কস |
|---|---|---|---|---|
| | | এস সি | এক্স সার্ভিসমেন (এস টি) | |
| ১ | ট্রেদসমেন মেট (মজদুর) | ০১ (মমাঙদা মেলহৌদবা ফম) | ০২ (মমাঙদা মেলহৌদবা ফম) | ফমশিং অসি মেনশিন্দ্রিবা ঙাক্তনি অমসুং মমাঙগী রিক্রুটমেন্টদা মতিক চাবা কেন্দিদেটশিং ফংখিদবদগী হৌজিক মেনশিনদৌরিবনি। |
| ২ | ফায়রমেন | | ০১ (মমাঙদা মেলহৌদবা ফম) | |

davp 10202/11/0069/1617

## OFFICE OF THE
## STATE HEALTH SOCIETY, NHM, MANIPUR

**N O T I C E**

Imphal, the 17th June, 2016

**No. 134/CS/HR/NHM-2015(Pt-I) :** The proposed interview/viva-voce for engagement of different categories of contract staff under the State Health Society, NHM, Manipur will be conducted in the office of Medical Directorate, New Building, Opp. RIMS, Imphal, Manipur as per scheduled below -

| Sl. No. | Category | Admit Card Serial No. | Date of Interview (10 a.m. to 4:30 p.m.) |
|---|---|---|---|
| 1. | Legal Officer | 01 to 06 | 27/06/2016 |
| 2. | Dental Assistant | 01 to 05 | 27/06/2016 |
| 3. | Data Entry Operator | 01 to 92 | 27/06/2016 |
| 4. | Instructor of Hearing Impaired Children | 01 to 37 | 28/06/2016 |
| 5. | Counsellor | 01 to 78 | 28/06/2016 |
| | | 79 to 157 | 29/06/2016 |
| 6. | Data Assistant | 01 to 36 | 29/06/2016 |
| 7. | Laboratory Technician | 01 to 116 | 30/06/2016 |
| 8. | AYUSH Pharmacist | 01 to 24 | 30/06/2016 |

All the candidates are informed to appear in the interview/viva-voce in time bring all the original documents, mark sheets etc., at the interview/viva-voce.

Sd/-
**Dr. O. Ibomcha Singh**
Director (Health)/Mission Director
State Health Society, NHM, Manipur

HL-B/3142/18

# ইরাকি ফোর্সশিংনা ফালুজাগী গভর্ণমেন্ট হেদক্বার্টরস পায়শিনখ্রে



বাঘদাদ, জুন ১৭ (এজেন্সী) :

ইরাকি ফোর্সশিংনা ঙসি ফালুজাগী মরু ওইবা গভর্ণমেন্ট কম্পাউন্দ নৌনা লৌশিনখ্রে হায়না টোপ কম্মান্দরশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ষ্ট্রোংহোল্ড অদুগী মায়োক্তা চয়োল ৪ রোম চথরক্লিবা লাঞ্জং অদুদা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়রি।

এলিট ফেদরেল ফোর্সশিংনা চঙশিনবা মতমদা আই এফ ফাইটরশিংনা থোইদোক্না অথিংবা পীরকখিবা লৈতে অমসুং মখোয় সিটি অদুগী নোংচুপথংবা চীদাইদা নৌনা দিপ্লোই তৌখ্রে হায়না কম্মান্দরশিংদুনা এ এস পিদা হায়খি।

কাউন্টর টেররিজম সার্বিস অমসুং রেপিদ রেস্পোন্স ফোর্সশিংনা ফালুজাগী ময়াই চবুক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট কম্পাউন্দ অদু অমুক হন্না লৌশিনখ্রে হায়না ওপরেসন অদুগী ওভরোল কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল অব্দুলৱাহাব অল সাদিনা এ এফ পিদা হায়খি।

ইরাক্কী ফেদরেল পুলিসকী চীফ রৈইদ শাকর জাৱদটনা ওইরক্লিবা ফীভম অদুবু কনফর্ম তৌখি।

সিটিগী মরু ওইবা লেন্দমার্ক ওইরিবা গভর্ণমেন্ট কম্পাউন্দ অদুবু লিবরেট তৌরিবা অদুনা ফালুজাদা ষ্টেটকী ওথোরিটি হল্লক্লে হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা পীরি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা ইস্লামিক ষ্টেটনা ফালুজাদা থোমজিনখিবগা লোয়ননা সিটি অদুবু খুদুম চনশিনখি। মদুগী মতুং থা খরা লৈরগা মখোয়না মোসুল লৌশিনখি অমসুং লৈবাক অদুগী পাক চাউরবা মফম কয়া তকখায়খি।

বাঘদাদ সিটিগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোমদমক লাপ্না লৈবা ফালুজা অসি আই এসকী খ্বাইদগী মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগী মনুংদা অমা ওইরি অমসুং সিটি অসিবু চৎখিবা তারবদি গ্রুপ অদুনা কন্ট্রোল তৌহৌবা সিটিদি মোসুলদমক ওইহৌরগনি।

ফালুজাগী ময়াই চবুক য়ৌনবা চঙশিনখিবা কেম্পেইন অদুগী মনুংদা ইরাকি ফোর্সশিংনা খা থংবা অমসুং নোংচুপ থংবদা লৈবা য়ুম তাবা মফম কয়া অমুক হন্না খুদুম চনখি। মদুগা লোয়ননা সিটি অদুগী চাদা ৫০ রোম ফোর্সশিং অসিনা কন্ট্রোল তৌশিনখ্রে হায়রি।



HL-B/3096/18/05-17/05

# EMPLOYMENT NEWS

### AIIMS JODHPUR RECRUITMENT 2016 – 06 TECHNICAL ASSISTANT, AUDIOMETRY TECHNICIAN & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 10 JULY

**AIIMS Jodhpur Recruitment 2016**

AIIMS Jodhpur invites application for the post of 06 Technical Assistant, Audiometry Technician & Various Vacancies on Direct Recruitment Basis. Apply Online before 10 July 2016.

**Advt. No. : Admn/Estt/04/09/2016-AIIMS.JDH**

**Job Details :**

**Post Name :** Technical Assistant (ENT)
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-
**Post Name :** Audiometry Technician (ENT)
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Jodhpur Recruitment :**
**Educational Qualification :** B.Sc. Degree in Speech and Hearing from a recognized Institute/ University.
**Nationality : Indian**
**Age Limits :**
**For Technical Assistant :** 21 to 30 years
**For Audiometry Technician :** 21 to 35 years
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**For PWD Candidates :** 10 years
**Job Location :** Jodhpur (Rajasthan)
**Selection Process :** The selection will be made on Written Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through Online at the time of submission of on-line application. No fee for SC/ST/PWD/Women Candidates of any community.
**How to Apply AIIMS Jodhpur Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsjodhpur.edu.in on or before 10.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Online Application :** 10.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Clinical_Staff_Medical/PDF/Advertisement%20-%20Clinical%20Medical%20-%20English.pdf
**Apply Online :** http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Clinical_Staff_Medical/

### AIIMS JODHPUR RECRUITMENT – 08 PHYSIOTHERAPIST, OCCUPATIONAL THERAPIST & MULTI-REHABILITATION WORK VACANCY – LAST DATE 10 JULY 2016

AIIMS Jodhpur invites application for the post of 08 Physiotherapist, Occupational Therapist & Multi-Rehabilitation Work on Direct Recruitment Basis. Apply Online before 10 July 2016.

**Advt. No. :** Admn/Estt/04/08/2016-AIIMS.JDH

**Job Details :**

**Post Name :** Physiotherapist
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-
**Post Name :** Occupational Therapist
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-
**Post Name :** Multi-Rehabilitation Work
**No. of Vacancy :** 04 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Jodhpur Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 in Science with Bachelor' Degree in Physiotherapy/ Occupational Therapy from a recognized Institute/ University.
**Nationality :** Indian
**Age Limits :** 21 to 30 years
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**For PWD Candidates :** 10 years
**Job Location :** Jodhpur (Rajasthan)
**Selection Process :** The selection will be made on Written Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through Online at the time of submission of on-line application. No fee for SC/ST/PWD/Women Candidates of any community.
**How to Apply AIIMS Jodhpur Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsjodhpur.edu.in on or before 10.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Online Application :** 10.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Physiotherapist
Apply Online : http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Physiotherapist/

### AIIMS JODHPUR RECRUITMENT – 44 OFFICE ASSISTANT VACANCY – LAST DATE 10 JULY 2016

AIIMS Jodhpur invites application for the post of 44 Office Assistant on Direct Recruitment Basis. Apply Online before 10 July 2016.

**Advt. No. :** Admn/Estt/04/10/2016-AIIMS.JDH

**Job Details :**

**Post Name :** Office Assistant
**No. of Vacancy :** 44 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Jodhpur Recruitment :**
**Educational Qualification :** Graduate in recognized University or its equivalent.
**Nationality :** Indian
**Age Limits :** 21 to 30 years
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**For PWD Candidates :** 10 years
**Job Location :** Jodhpur (Rajasthan)
**Selection Process :** The selection will be made on Written Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through Online at the time of submission of on-line application. No fee for SC/ST/PWD/Women Candidates of any community.
**How to Apply AIIMS Jodhpur Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.aiimsjodhpur.edu.in on or before 10.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Online Application :** 10.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Office_Assistant/PDF/Advertisement%20Office%20Assistant%20-%20English.pdf
**Apply Online :** http://5.9.254.180/~aiimsrecruitment/Recruitment_2016/Office_Assistant/